**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 9-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৯-০৬-২০২৪, নোংমাইজিং)**

--**সিগনেচর ট্যুন**--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম ৱাশিংটননা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা কেন্দ্রগী অনৌবা সরকার ঙসি নুমিদাং ৱাশক লৌরগনি ।

২) জিরিবামগী ফীভম লাকশিন্নবা রাজ্য সরকারনা ঙরাং অহেনবা ফোর্স থাজিনবা য়াওনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

**অমসুং**

৩) কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবি সোনিয়া গান্ধিবু কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্তরি পার্টিগী চিয়র পরসন ওইনা খনখ্রে।

--**ট্যুন**--

**ৱাশকঃ** কেন্দ্রগী অনৌবা সরকার ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি নুমিদাং

রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোক্কনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা প্রধান মন্ত্রি ওইনা খনখ্রবা নরেন্দ্র মোদিদা অনৌবা সরকার শেমবা বর্তন তৌখ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম ঙসি নুমিদাং পুং ৭ মিনিত ১৫ দা পাঙথোক্কনি। রাষ্ট্রপতিনা শ্রী মোদি অমসুং মন্ত্রি মন্দলগী সদস্যাশিংনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌহনগনি।

শ্রী মোদিনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা রাষ্ট্রপতিগা উন্নদুনা অনৌবা সরকার শেমবা দাবী তৌখিবনি। বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ত জে.পি নদ্দনা লুচিংবা এন.দি.এগী মীহুৎ কাংবু অমনসু রাষ্ট্রপতিগা উন্নদুনা শ্রী মোদিবু বি.জে.পি পার্লিয়ামেন্তরি পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খল্লে হায়বগী চেরোল পীশিনখিবনি। এন.দি.এ য়াওরিবা দলশিংনা শ্রী মোদিবু শৌগৎলি হায়বগী চেরোলশিংসু রাষ্ট্রপতিদা পীশিনখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- থংনা থংননা অহুমরক শুবা টার্মগী ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইনবগীদমক শ্রী মোদিনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবা কয়াসু য়াওনবগীদমক বর্তন তৌখ্রে। ভারতকা য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক্শিং অমদি ভারত মহাসাগরদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিদা শকাইরবা অতিথিশিং ওইনা শরুক য়াগনি। শ্রীলঙ্কাগী রাষ্ট্রপতি রানিল বিক্রম সিঙ্ঘে, মালদ্বিপকী রাষ্ট্রপতি ডা: মাহমদ মুইজ, বঙ্গলাদেশকী প্রধান মন্ত্রি সৈখ হাসিনা , মৌরিসেসকী প্রধান মন্ত্রি প্রবিন কুমরা জগনাউত , নেপালগী প্রধান মন্ত্রি পুসপা কমল দাহল প্রচান্তদা , ভুতানগী প্রধান মন্ত্রি সেরিং তোকঘেনচিংবা লুচিংবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরমদা য়াওগনি।

রাষ্ট্রপতিনা শিন্দুনা ন্যু দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা শ্রী মোদিগী অনৌবা সরকারগী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা য়াওবা লাকপা মালেমগী লুচিংবশিংগী চাকলেন অমসু শিল্লি।

শ্রী মোদি অমসুং অনৌবা মন্ত্রি মন্দলগী মন্ত্রিশিং ৱাশক লৌবগী থৌরমগী অনৌবা পাউদম অকাশবানি দিল্লিনা ঙসি নুমিদাং পুং ৬ মিনিত ৪৫ দগী

শন্দোকপা হৌগনি। ঙসি এফ.এম গোল্ড, ইন্দ্রপ্রস্থা অমসুং অকাশবানি লাইব নিউজ ২৪ বাই ৭ চেনেল্লশিংদা তাবা ফংবিগনি। থৌরম অসি অকাশবানি এ.আই.আরনা মসিগী য়ুত্যুব চেন্নেলদসু লাইব স্ত্রিম্মিং তৌগনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী ফীভম লাকশিন্নবা রাজ্য সরকারনা ঙরাং অহেনবা কম্মান্দো ফোর্স থাজিনবা য়াওনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

রাজ্য সরকারগী হুকুম অমগী মতুং ইন্না জিরিবামগী এস.পি. এ. ঘনাশ্যাম শর্ম্মাবু এদিসনেল দাইরেক্তর মনিপুর পুলিস সেন্টর ওইনা নৌনা পোষ্টিং পীখ্রে। মনিপুর ত্রেন্নিং সেন্টরগী দাইরেক্তর ইন-চার্জ ওইরিবা এন. প্রদিপ সিংহবুনা জিরিবামগী সেনিয়ার এস.পি. ওইনা হাপখ্রে। ইন্সপেক্তর-এস. ইবোতোম্বী সিংহবু জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. ওইনা অমসুং জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. ওইরম্বা-ঐচ. দেবেনকিশ্বর সিংহনা সি.আই.দি. সেক্যুরিতি ওইনা ত্রান্সফর তৌখ্রে।

মরক অসিদা, মনিপুরগী রাজ্যপাল-অনুসিয়া ৱিকেগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লৈবা মনিপুর ভবনদা উন্নদুনা জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালনা ইরাং অদু লাকশিন্নবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা মুখ্য মন্ত্রিদা খঙহনখি। ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা ঈচাওনা মরম ওইদুনা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পীনবসু রাজ্যপালনা মুখ্য মন্ত্রিদা খঙহনখি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**সোনিয়াঃ** কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবি সোনিয়া গান্ধিবু মোট অমত্তা ওইনা কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্তরি পার্টি(সি.পি.পি)গী চিয়র পরসন ওইনা খনখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা দলগী লুচিংবা রাজিব সুক্লানা হায়- সোনিয়া গন্ধিনসু ফম অসি পায়বদা য়াখ্রে।

মদুগী মমাংদা ঙরাং কংগ্রেস ভোত্তিং কম্মীতি (সি.দব্লিউ.সি)না দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধিবু লোক সভাদা বিরোধি লুচিংবা ওইনা লৈনবা হায়জবগী য়ান্না ৱারেপ অমসু পাস তৌখি। সি.দব্লিউ.সিগী মীফম অদুগী তুংদা কংগ্রেস লুচিংবা কে.সি ভেনু গোপালনা হায়- সি.দব্লিউ.সিনা রাহুল গান্ধিগী লমজিং মখাদা শক্তি লৈবা অমদি মীকুপ নহুমশিংবা বিরোধি অমা শেমগৎপা ঙমগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ।

কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা জয়রাম রামেশনা হায়-হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুনা কংগ্রেস দলবু নৌহৌননা পুকিং থৌগৎলে ।
মীখল অদুদা দলগী ওইখিবা ফীভমগী মতাংদা রাজ্য থাক্তা য়েংশিনবগী থবক চথগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি। সি.দব্লিউ.সিগী মীফমদা দলগী প্রসিদেন্ত মালিক অরজ্ন খরগেনা কংগ্রেসকী নৌনা মায়পাক্লবা সদস্যাশিংগী মফমদসু নুংঙাইবা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- কংগ্রেসনা নিয়াই যাত্রা হৌরকখিবা মনিপুরদা দল অসিনা সিট অনিমক ফংলে অমসুং নাগালেন্দ , অসাম অমদি মেঘালয়দসু সিট কয়া মরুম ফংবা ঙম্লে।মহাকা হায়- লৈবাক শিনবা থুংবদা গনতন্ত্রা অমসুং সংবিধানবু কন্নবগীদমক কংগ্রেসপু মীয়ামা শৌগৎপিরক্লি । মীফম অদুদা দলগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং রাহুল গান্ধি, সোনিয়া গান্ধি অমদি দলগী জেনরেল সেক্রেটরি পিয়াঙ্কা গান্ধি ভদ্রানচিংবসু য়াওখি।

**এন.তি.এঃ** নেসনেল টেস্তিং এজেন্সি এন.তি.এনা হায়রি- নেসনেল ইলিজিব্লিতি কম এন্ত্রান্স তেস্ত (নিট.য়ু.জি) ২০২৪গী থবক থৌরম খুদিংমক শেংনা অরোন অথুপ য়াওদনা পাঙথোকখি। পারিক্ষা অসি মে ৫ দা পাঙথোকখি অদুগা মদুগী ফলনা জ্‌ন ৪ দা লাউথোকখি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা এন.তি.এগী দাইরেক্তর জেনরে সুবোট কুমার সিংহনা হায়- পারিক্ষা অসিগী ক্বেসন লিগ ওইখিবা লৈতে।মহাকা হায়- নিট পারিক্ষাগী মতাংদা ফোংদোক্লিবা ৱাফম অসি অপুনবা সেন্তর লিশিং ৪, ৭৫০ গী মনুংদা সেন্তর ৬ খক্তুংদা মরী লৈনৈ অমসুং ক্বেসন পেপর লাননা য়েন্থোক্লুবদগী মহৈরোই লিশিং ১, ৬০০ খক্তমক্কী মতম খরা মাংহনখি। মহাকা হায়- মতম মাংখিবগা মরী লৈননা হায়রিবা কেন্দিদেদশিং অসিদা গ্রেসমার্ক হাপখিবগী মতাংদা য়েংশিন্নবা শক্তি লৈরবা কম্মীতি অমা শেম্লে। শ্রী সুবোট কুমারনা হায়- হান্নগী য়ু.পি.এস.সিগী চিয়রমেন ওইরম্বা মীশক অমনা লুচিংবা পেনেল অসিনা মখোয়গী ৱাফম চয়োল অমগী মনুংদা পীখল্লক্কনি। মদুগী তুংদা এন.টি.এনা মখা তাবা ৱারেপ লৌগনি। মহাকা হায়- মরী লৈনবা কেন্দিদেদশিংগী পারিক্ষাগী ফলনা মীং চনবগী মতাংদা করিশু অকায়বা পীগদবা লৈতে।

**গেমসঃ** পান্থোইবি এফ.সি লংথবালনা ৫ শুবা ওইনা চার্লি মেমোরিয়েল ওপন সোকর টুরনামেন্তকী চেম্পীয়ন ওইরে। শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা পান্থোইবি এফ.সিনা কংলৈচা এফ.সি শিংজমৈবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থিবা পীখি।

**গেমস২ ঃ** ৱাই. এ.দি.এ যাদা কাংশোইবি মপালনা শিন্দুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল লাইরেঞ্জম সনাতোম্বী লৈমা মেমোরিয়েল ফুটবোল টুরনামেন্তকী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা প্রিতি এফ.সি শগোলবন্দনা টি.ৱাই.দি.এ(বি) থৌবালবু পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

**রাওঃ** ইনাদু গ্রুপকী ফাউন্দর অমসুং শকাইরবা পাউমী সি.ঐচ. রামোজি রাওগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি হায়দ্রবাদকী ফিল্ম সিটিদা পাঙথোক্লগনি। মহাক ঙরাং অয়ুক হায়দ্রবাদতা লৈখিদবনি। মশাগী চহি ৮৭ শুখ্রে।

ফেস্তিবেলঃ  নুমিৎ হুমনি চথুরকপা ভুবানেস্বর ফিল্ম ফেস্তিবেল ঙসি লোইশিল্লগনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক রাজকুমারি মঙালসনা লৈরে--**

**-মঙালসনা-**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১১) শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা কেন্দ্রগী অনৌবা সরকার ঙসি নুমিদাং ৱাশক লৌরগনি ।

২)  জিরিবামগী ফীভম লাকশিন্নবা রাজ্য সরকারনা ঙরাং অহেনবা ফোর্স থাজিনবা য়াওনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

**অমসুং**

৩)  কংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবি সোনিয়া গান্ধিবু কংগ্রেস পার্লিয়ামেন্তরি পার্টিগী চিয়র পরসন ওইনা খনখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি–ৱাশিংটন**

**জিরিবা জিলাদা** ওইরক্লিবা ফীভমগা মরী লৈনবা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচে পুমমক্কী হেন্দলাইন ওইনা চাউনা ফোংনরি।

**ঈচেল এক্সপ্রেসতা**– জিরিমুখ পুলিস আউত পোস্ত ,ফোরেস্ত বিট য়াওনা য়ুম কয়া মৈ থারম্লে, মনিপুর পুসিল কম্মান্দোশিং জিরিবমদা ইয়র লিফট তৌখ্রে হায়না চাউনা হেদলইন অমখক পীরি।

**নহারোলগী থৌদাংদা**– জিরিদা কুকি মিলিটেন্তশিংনা মীতৈগী য়ুমশিং, আউট পোস্ত ,ফোরেস্ত বিট ওফিস মৈ থারম্লে হায়না চাউনা কলর হেদলাইন পীরদুনা জিরিবামদা অহেনবা মনিপুর পুলিস কম্মান্দোশিং হেল্লিকোপ্তরদা থাজিনবা হৌরে হায়না ফোংলি।

**সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা** - জিরিগী ফীভম লুশিল্লক্লি, ফোর্সশিং চংশিনখ্রে, মীতৈ খুল মরিদা বোম কাপশিন্দুনা লান্দরগা য়ুম ৭২ মৈ থাখ্রে। পুলিস আউত পোস্ত য়াওখ্রে হায়না চাউনা হেদলাইন পারি। পাউচে অসিগী ইংলিস ইদিসনদসু পাউ অসিগা লোয়ননা মীওই ২০০ হেন্নাময়ুম মকৈ লৈত্রে হায়রদুনা কুকি চিনগী এতেক জিরিবাম য়ৌশিল্লক্লে হায়না ফোংলি।

**পোকফমদা** - বোরোবেক্রা সব দিভিজনদা লৈবা মীতৈগী য়ুম অমদি পুলিস চেক পোস্তশিং মৈ থাখ্রে হায়না চাউনা হেদলাইন পীরদুনা জিরিবামগী এস.পি, ও.সি শিনখ্রে, অহেনবা কম্মান্দো টিম থাজিনখ্রে হায়না ফোংলি।

**পিপলস ক্রোনিকেলদসু** মীতৈ খলু মরি, পুলিস পোস্তশিং কুকি মিলিটেন্তশিংনা মৈ থাখ্রে হায়না চাউনা হেদলাইন পীবগা লোয়ননা জিরিবামগী এস.পি,ও.সি শিন্দোকখ্রে, অহেনবা কম্মান্দো টিমশিং জিরি য়ৌখ্রে হায়না ফোংলি।

**হুইয়েন লানপাউদা**- মনিপুরগী লান হায়বা কলর হেদলাইনগী মখাদা জিরিবামসু মীতৈশিংগী অনিশুবা চুরাচান্দপুর ওইরক্কদৌরিব্রা হাহংনা চাউনা হেদলাইন তৌবগা লোয়ননা

পুলিস আউত পোস্ত, ফোরেস্ত ওফিস মৈ থাখ্রে, মৈ থাখিবা , ইম্ফালদগী কম্মান্দোশিং থুংখিবগী পাউ ফোংলি।

**মনিপুর নিউজতা** - কুকিশিংনা জিরিবামগী সোতোবেগ্র পুলিস আউত পোস্ত য়াওনা খুল ৪ গী য়ুম কয়া মৈ থাখ্রে, জিরিবাম এস.পি ত্রান্সফর তৌখ্রে, কম্মন্দোশিং জিরিবামদা ইয়র লিফট তৌখ্রে হায়না চাডনা হেদলাইন পীরদুনা দিল্লিদা ভবর্নরগা সি.এম উন্নখ্রে, জিরিবামগী ফীভম রিভ্যু তৌনখ্রে হায়না ফোংলি।

**ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা** - জিরিবামদা অহেনবা ফোর্সশিং ইয়রলিফট তৌখিবগী পাউ অমসুং রাজ্য সরকারনা জিরিবামগী অনৌবা এস.পি হাপখিবগী পাউ হেদলাইন তৌরি।

নরেন্দ্র মোদি অহুমশুবা টার্মগী পি.এম ওইনা ঙসি ৱাশক লৌগনি হায়বা পাউসু **পোকফমগী** অনিশুবা হেদলাইন পাউ ওইরি।

**সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা** - টিদিপিনা মিনিস্তর ৪ জেদিয়ুনা ২ ফংদৌরি, নহারোলগী থৌদাংদা হন্দক্তি অমিত সাহ হোম মিনিস্তরগী ফমপায়রদ্রবা য়াই হায়বা পাউশিং অসি হেদলাইনদা ফোংনরি।

জিরিবামগী থৌদোক অসি শান্তি পামদবা মীওইশিংগী থবকি হায়বা হন্দক্তা নৌনা লোক সভাগী সদস্যা ওইনা খল্লবা অঙোমচা বিমোল অকোয়জমগী ৱাফমসু ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

**--ৱাশিংটন--**